# লৈঙাক্লা থৌশাবীবা ৱাংলবা ক্বাথাগী মীতৈশিং ঙসিসু ৱারৌহৌরি

## খুঙ্গংগী খোল্লাউ ঃ ওকেন্দ্রো খুন্দোংবম

**মীতৈনি** হায়বগী চাউথোকচবা অমদি মণিপুরগী অপূনবগী ঙমখৈ কায়দনবা হোৎনবদা ঙমজবা থৌদাং লৌরিবা ক্বাথাগী মীতৈশিংগী ৱারৌবদি কোকহৌদ্রি। চহী কয়াদগী ৱারৌদুনতা লাক্লবা ক্বাথাশিংগী ৱারৌদনবা মণিপুর মীয়াম অমদি মণিপুর লৈঙাক্লা ঙসিসু করিমতা তৌবা ঙমদ্রি। ৱারৌবগী পনখৈনা লোইখিবা মতমদা ক্বাথাশিংগী মরাইবক করি ওইগনি হায়বা খুঞ্জাশিংসু খঙহৌদ্রি।

চহীসিগী জন্যুৱারী ৪ দা সর্ভে ওফ ইন্দিয়া অমদি সর্ভে ওফ ম্যান্মারগী কাঙবুনা ক্বাথা খুন্নৌদা য়ুংলিবা বোর্দর পিল্লর ৮০ য়েংশিনবগী মীংদা ঙমখৈগী শম্বল খাগদৌরে হায়না মণিপুরগী সিভিল সোসাইটিশিংদা পাউ পীরকখি। জান্যুৱারী ৮ দা সিভিল সোসাইটি অমগা লোয়ননা ক্বাথাদা চৎলুই। খোঙচৎতুদা খুঞ্জাশিংনা থম্মোয়দা মণিপুর অমদি মীতৈ ফুরুপ্পু নুংশিজবগী চাং অদু খঙলকখি। ঈগী খোঙ্গুল খঙলবসু মরৈবাকপু নুংশিজবগী ৱাখল লৈহৌরবসু ৱারৌবগী মৈরীদি থম্মোয়নুংদা অদুমক ওমদুনা লৈহৌরি।

খোঙচৎ অদুদা ক্বাথাগী খঞ্জবা সোসিয়েল এক্টিভিষ্ট তখেল্লম্বম সনায়াইমানা হায়, বর্ম্মা হায়না খঙনরম্বা ম্যান্মারনা কুমজা ১৮১৯ দা মণিপুর লৈঙাকপু খুদম চনখিবা অমদি চহী ৭ খুন্তাকপগী মতমদা মীতৈ মচা কয়া লানফা ওইনা ফাখি। কয়ামা ওৎ নৈখি। কয়ামনা মখোয়গী থবক শুনবা ওইনা বর্ম্মদা পুখি। মতমদুদা য়াওখিবশিংগী মরক্তা ক্বাথাগী মীতৈশিংসু অমনি। শাংলবা চহী কয়াসিদা ক্বাথাগী খুঞ্জাশিংনা হিংন্নবগীদমক লৌউ-শিংউবগী পোৎথোক পুথোক্তুনা শেল তালক্লি। হিংলক্লি অমদি ষ্টেটকী শেন্মিৎলোন্দা চাউনা মতেং পাঙদুনা লাক্লি।

ক্বাথাগী শোইবুম, মৈতান, লফোই, হরিবোপ য়াওনা উমংগী পোৎথোক কয়া মণিপুর মীয়ামদা ফংহল্লি। মসিগী মথক্তা বোর্দর ট্রেদ সেন্টর ওইরিবা মোরেদা পোৎলমশিং অসি য়োন্দুনা ম্যান্মারগী মীয়ামদা য়ৌহন্দুনা শেল তাল্লি। মণিপুর গভর্ণমেন্ট অমদি মণিপুর মীয়াম্না মীতৈশিংগী খুন ক্বাথাবু নুংশিবগী ৱাহৈ, কন্নিংবগী ৱাখলদি অদুমক লৈ। ফোঙদোকই পাউচে অমদি মেদিয়াগী খূৎথাংদা। য়ুনিভর্সিটিগী স্কোলর কয়া লাক্লম্মী। ৱাহং কয়া হংলম্মী। মখোয়গী পি এচ দিগী থেসিস ওইখি। ক্বাথাবু নুংশিখি মায়কৈ কয়ানা। অদুবু ক্বাথা খুনগী ফীভমদি ঙসিসু হোংদ্রি মহৌশাদগী।

সনায়াইমা অমদি মখোয়গী মরুপ খরনা পাউচে অসিদা হায়, লৌউ-শিংউবদগী ফংবা পোৎথোক অসি ককচিং, মোরে য়াওনা মণিপুরগী অতৈ মফমশিংদা য়োন্নবা পুরি। অদুবু মোরেদগী কিলোমিটর ২০ খক লাপ্পা লৈবা ইম্ফাল মোরে লম্বীদগী কিলোমিটর ১২ রোমতমক লাপ্পা ক্বাথাগী চৎথোক চৎশিনগী অমত্তা ঙাইরবা লম্বীসি ঙসিসু নূংগী য়ুগকী ফীভমদা লৈরি। চাউখৎলবা কম্প্যুটরগী মতমসিদা ক্বাথাগীদি চৎথোক চৎশিনগী ফীভম ফৎতবনা চীংনুংদা অদুমক লেল্লি। নুংশিবা ময়াম্না নুংশিবীবগী থৌজালদি ফংলি। অদুবু মীনুংশিনা মীওইবনা হিংবা য়াদবনা হিংনবগী লম্বী থিরকপদা করি ওইরক্কদবা হায়বদুদি তম্বা ঙমদে হায়না পেন্দনা ফোঙদোরকই।

অনা লায়েংগী লমদসু কুমজা ২০০৬ কী মে ১৮ দা মতমদুগী হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যের মিনিষ্টর দি কে করুংথাংনা শঙ্গাখিবা প্রাইমারি হেল্থ সব সেন্টর মথৌ তৌদবা চহী য়াম্লক্লে। থা অমদা মেদিকেল ওফিসর ১/২ না থা অমদা ২/৩ লক লাক্তুনা লায়েংগনি হায়রম্লবসু ২০০৬ কী চহীদুদা খরা লাক্লম্মী। মখা তানা লাকখিদ্রে। অনা অয়েক য়াওরকপদা মোরে য়ৌনবা চৎলি। লম্বী ফৎতবনা খুদোংথীবা কয়া মায়োক্লরি। ক্ষেত্রিময়ূম রানি অমদি নিংথৌজম তোন্বী কৌবী নর্স অনীনা ময়ূমদা ফর্ষ্ট এইদ ওইনা লায়েংবীরি। মখোয় অনীগী মপান্দগী দোক্টর য়াওদ্রবসু খরগী মখৈদি তেঙবাং ওইনরি।

মহৈ মশীনগী লমদসু ক্বাথা অৱাবা মায়োক্লরি। ক্বাথা গভর্ণমেন্ট জুনিয়র হায়স্কুলগী ফীভম ফৎত্রি। ক্লাস ৱান্দগী আইট ফাওবা লৈবা স্কুল অসিদা মহৈরোই ৪০ রোম লৈরি। অদুবু ক্লাস রুমদি শুপ্পগী ৩ খক্তনি। স্কুল বিল্ডিং মতমগা চুনদ্রি। ফক্লাং ইহো হোরি। ওজাসু অহুমখক লৈ। লাইরিক তম্বগী চাং ৱাৎপনা সনায়াইমা মশা য়াওরগা লৈকাইগী লাইরিক হৈরবা নহাশিংনা স্কুলসি মুৎতনবা কন্না হোৎনরি। গভর্ণমেন্টগী ওইনা এস এস এগী মখাদা স্কুল য়ুনিফোর্ম, মিদ-দে-মিল, টেক্সবুক খরা খরদি ফংই। য়াম্মী নৎত্রগা য়ামদে করিসু হায়দ্রে। পীরক্লিবা খরসিনা পেন্থোকচরি। স্কুলসিদা ফাউন্দেশন ওইরগা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা মখা তানা লাইরিক তম্বা চৎনরি।

থক্লবা অফবা ঈশিং, টোইলেটনচিংবগী ফীভমসু ফৎত্রি। গভর্ণমেন্টগী অহেনবা মীৎয়েং চঙবীবগী তঙাইফদবা লৈরি। সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্ট অমদি মণিপুর গভর্ণমেন্টগী মাইকৈদগী মতম মতমগী ওইবা পি দি এসকী পোৎলমশিং খরা খরা ফংই। ফংফম থোকপা চাকথুং শুনা ফংই নৎত্রগা ফংদে হায়বগী মতাংদদি খুঞ্জাশিংনা গভর্ণমেন্টগী মাইকৈদা ৱাকৎত্রে। ৱাকৎমন্দুনা তন্দুনা তোক্লবনি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

ক্বাথা খুল অসি চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী, তেংনৌপল কেন্দ্রগী মনুংচনবা মোরে ব্লোকতা লৈবা মীতৈনা খুন্দাবা লমনি। ইম্ফালদগী কিলোমিটর ১২৯ লাপ্পা ইন্দো ম্যান্মারগী ঙমখৈদা লৈবা খুনসিগী অপূনবা মীশীং ৩৭০ (২০১১ সেন্সস) নি। ক্বাথা খুঞ্জাও অমদি খুনৌ হায়না খাইদোক্লিবা খুন মচাসিদা মথংশিংনা য়ূম ৬১ অমদি ১৫ লৈরি। পুৱারীগা শাগোন্নরিবা ক্বাথা খুন অসি লৈঙাক্লা অহেনবা মীৎয়েং চঙবিদুনা শেমগৎ শাগৎপীরবদি খ্বাইদগী ফজবা টুরিষ্ট সেন্টর ওইবগী মথক্তা পুৱারীগী মচাক কয়ানা তিল্লবা ম্যুজিয়ম ওইবা ঙমগনি।

ক্বাথা খুন অসি মীতৈশিংগী খ্বাইদগী মরু ওইবা খুন অমা ওইজরবসু হিংনবগী লানফমদা ঙসিদি মীপূম খুদিংমক খৃষ্টান লাইনীং লৌনখ্রে। ৱাফম অসিগী মতাংদা ভিলেজ সেক্রেটরিসু ওইরিবা ক্ষেত্রিময়ূম ইবোয়াইমনা হায়, মালেমগী ওইনা চাউখৎপা অমদি অওনবা কয়াদা খুঞ্জাশিং অসি য়াওবা ঙমদে। মণিপুরগী তম্পাক লমদা খুন্দারিবা মীতৈশিংনা খুনসিবু অসুক্কী মতিক নুংশি অমদি ঐখোয়নসু পূম্নমকপু নুংশি। অদুবু হিংবদা মীনুংশিখক্তনা য়াদবা মতাং য়াওরকই। নাক য়েৎতা চীংমী কয়াগা চরৌ মৌরৌনদুনা লৈবগী মথক্তা ঐখোয়গী অৱাৎ অপাদা তেংবাঙ পীননবা লাইনীংসি চৎখিবনি। অদুমকপু মীতৈগী চৎনবীদি অদুমক ঙাক্লি, ঙমখৈগী ফীভমসু ঙাক্লবা হোৎনদুনা লাক্লি। হন্দক জন্যুৱারী ৪ দা ইন্দিয়ন সর্ভে টিম অমদি বর্ম্মা সর্ভে টিমনা পিল্লর নম্বর ৮১ য়েংশিনবগী মিংদা ঙমখৈগী শম্বল খানবা থৌরাঙ তৌরম্বদু মহাক মশানা লুচিংদুনা কাঙবুশিং অদু তাম্থোকখি হায়বা ৱাফমশিং ফোঙদোরকখি।

পূম্নমকসি কুপ্না খন্থবীরগা ক্বাথাগী অকোয়বগী ফীভম য়েংলগা মণিপুর লৈঙাক্লা খুনসিগা চান্নবা শেন্দানফম থম্বীবা, লম্বী থোং ফগৎনবা, মহৈ মশিন অমদি অনা লায়েংদা হেন্না মীৎয়েং চঙবীফম থোকই। নুংশি হায়না শোনবতনদি ক্বাথা কনবা ঙম্লোই। নুংশিবীবা কয়াদু থবক্তা ওন্থোককপগী তঙাইফদবা লৈরিবশিংদু কৈদৌঙৈ থবক্তা ওন্থোরক্কদগে হায়না লৈঙাক্কী মায়হক য়েংহৌরিবা ক্বাথা খুননি।।



ক্বাথাদা লৈহৌবা মথৌ নীংথিনা তৌদ্রবা প্রাইমারি হেল্থ সব সেন্টর




মতমগা চান্নদ্রবা ক্বাথাদা লৈহৌবা লৈঙাক্কী মহৈশঙ অমগী শক্তম



মীয়াম্না পাম্না চানরিবা ক্বাথাগী শোইবুম

# মচা নিংঙোলনা লন-থুমগী মতাংদা খংফম থোকপা খরা

## চোংথাম নন্দা দেবী

**নুপীগা** মরী লৈনবা আইনশিংগী মরক্তা শরুক অমত্তং য়াম্না শম্না অমদি অরাইবা লোলদা খঙমিন্নসি। লমদম অসিদা লৈরিবা হিন্দু (গৌরিয়া লায়শোল অমদি মৈতৈ লাইশোল) লাইনীংনা কোল্লিবা মীওই মরু ওইনা নুপীশিংনা মপা মপুগী লন থুম ফংবগী চাউরাকপা খরদং খঙমিন্নবদা কান্নগনি।

মমাঙঙৈদগী হৌনা ঐখোয়গী খুন্নাই অসিদসু নুপীবু হন্থনা খনবা অসি চৎনবী ওইরকই। মমা মপানা ফাওবা মচা নুপীশিংবু মচা নুপাশিংদগী হন্থনা য়েংবগী চৎনবী হৌজিকসু মশীং য়াম্না অদুমক লৈরি। মসিগী খুদম হায়ববু ইম্খোল-শম্বল অমদি লৌ-শিংগা মরী লৈনবা কেস মরু ওইনা মপা মপুগী লন থুম য়েন্থোক্লবা মতমদা অহানবা মপু অদুগী লন থুম ফংবা য়াবা মীশিং থাবদা মনে (মপাগী মচে নৎত্রগা মচল), মচে নৎত্রগা মচলশিংগী মশীং থারক্তবনা অয়াম্বনি।

ময়ূম পান্দনা মমা-মপা, মবুং মৌপ্বাগী য়ূমদা লৈরবা নৎত্রগনা মরায়বক থীদুনা ময়ূম পাল্লুরগা মপামদা লৈররবা নুপী কয়াবু মপা মপুগী লম নৎত্রগা লৌ-শিং অদু মখোয়গী শরুক য়াওদ্রবগুম থওইনা তৌবীদবনা অয়াম্বনি। থায়নঙৈদা নুপীবু অঙাংগী মমা, নুপাগী সেবা তৌনবা অমদি ইন্থোক্লিংবা মতমদা হেক্তমক ইন্থোকপা য়াবা ওইনা তৌরম্বা অদুদগী হৌজিক্তা খরা খেন্নবা লৈরবসু লৌশিং লৈতবা পাঙ্গলদমক লৈবা নুপাশিংদি থায়নগী ৱাখল অদু কোক্তবনা অয়াম্বনি। অসিগুম্বা ৱাখল্লোন চেনবা মপা-মমা, মবুং মৌপ্বাদা নত্তনা মবুং মৌপ্বাশিং অদুগী মচা নুপাশিংনা ফাওবা ময়ূম পান্দ্রবী মচেম মনেমশিংবু নৎত্রগা নুপা ময়ূমদগী হল্লক্তুনা নৎত্রগা নুপা অদু শিখিদুনা মপামদা হল্লকপগা লৈররবীশিংবু তাথীনা তৌবীবা অদুমক লৈ।

অসিগুম্বা অৱাবা নংলবা নুপীশিংনা খঙজিনবা য়াবা আইন লৈ হায়বসি অয়াম্বনা খঙনদে। অদুগা খঙলবশিংনসু ৱায়েল লোইশঙ কাদুনা মপা, মবুং, মৌপ্বা নৎত্রগা মবুং মৌপ্বাগী মচানুপাশিংগা খঙনবা ঙমদে নৎত্রগনা পামদে হায়দুনা ৱানা লৈবনা অয়াম্বনি। দি হিন্দু সক্সেসন এক্ট, ১৯৫৬ হায়বসিনদি হিন্দু লাইনীংনা কোনবা লাইনীং চৎপশিংগী নুপীশিংদা মপা মপুগী লন থুম ফংবগী মরম কয়া ইদুনা য়াওরি। অতোপ্পশিংগী পূন্না নৈনরুদ্রগসু লমদমসিগী লাইনীং অসিনা কোনবা ইমুংগী নুপীশিংনা খঙমিন্নবা য়াবা খরদং য়াম্না শম্না খঙমিন্নবা য়াই।

হায়রিবা এক্ট অসিনা মপা মপুশিংনা থম্লম্বা ইম্খোল নৎত্রগা লৌ-শিং অদু মপা মপু অদুনা শিরবা মতুংদা মচা মশুশিং অদুনা ফংহৌনি হায়দুনা পীরি। কনা কনানা করম্না কয়া য়াম্না কনাদগী ফংফম থোকই হায়বনচিংবা শুগায়না তাক্লি। ইহান হানবা মপুধৌনা শিরবা মতুংদা মপুধৌ অদুগী মচানুপাশিং, মচানুপীশিং অমদি মপুধৌ অদুগী মবেনধৌ অদুনা শরুক চপ মান্ননা ফংহৌগনি। অদুদগী মধৌ অদুনা শিরবা মতুংদা মাগী মচানুপা, মচানুপী অমদি মবেন অদুনা চপ মান্ননা ফংমিন্নগনি। মপাদুনা (মধৌগী মচানুপা) শিরবা মতুংদা মচিন মনাও অমদি মমা (মপাগী নুপী) না মান্ননা ফংহৌগনি।

এক্ট অসিগী মখাদা মমা মবেনগী মাইকৈদগীসু মচা মশুশিং মথং মথং ফংগনি। মবেন অদুনা শিরবা মতুংদা মবেন অদুগী মচানুপী অমদি মচানুপাশিংনা মথং মথং ফংগনি। মচানুপী অদুনা ময়ূম পাল্লবা মতমদা মমাদগী ফংহৌবা ইম্খোল, লৌ অদু মানা শিরবা মতুংদনা মহাক্কী মপুরোইবা, মচানুপী অমদি মচানুপানা ফংগনি। হায়জরিবা খরা অসি এক্ট অসিদা পনবা শরুক মচেৎ অমত্তংনি। লৌ ইম্খোলগী শরুক মমারোমদগী অমদি মপারোমদগী ফংগদবা অহানবগী মীশক খরদংগী খুদম ওইনা পীজবনি। অহানবা ফংগদবশিং অসিদসু নুপী হায়বদু য়াওরবদি মখোয়গী শরুক অদুমক ফংফম থোকই হায়বদু শন্নপনা উৎচবনি। এক্ট অসিদা অহানবা, অনীশুবা, অহুমশুবা হায়না মথং মথং লৌ ইম্খোল শরুক ফংগদবা মীশকশিংগী মখল অমদি মখোয় মখোয়না ফংগদবা শরুক য়াম্না কুপনা য়াওরি। করিগুম্বা ৱায়েল লোয়শঙ কাদবা য়াদ্রবা মতাংদদি অদোম অদোম্না পাম্বীবা লম অসিগা চানবা আইন শুরিবা মীওই অদুগা তান্নবীয়ু। হায়জরিবা খরা অসিদি নুপীশিংগী শরুক অদু অদুমক ফংফম থোকই হায়বা অদুদমক খঙমিন্ননবা খুদম মচেৎ অমতং পীজবনি।

হায়জরিবা খরা অসিদগী খঙমিন্নবা য়াবদি আইন হায়বা অসিনদি নুপীসু নুপাসু মান্নবা মীৎয়েংদা য়েংনবা হোৎনবগী মশক অদুনি। অদুনদি লৌশিং তাহৌদবদগী করিগুম্বা য়েৎনরকপা মতমদা ৱায়েল লোইশঙ য়ৌরবদি লুখ্রাবী ওইগেরা, লুহোংদবী ওইগেরা, নামা শোয়বী ওইগেরা, পীক্তা পীক্লিবী ওইগেরা মখোয়গী ফংফম থোকপা অদু শোয়দনা ফংগনি। এক্ট অসিগী মখাদা ফংবা য়াবা মশা মশাগী শরুক অদু মশা মশানা শীজিন্ননিংবা মওংদা শীজিন্নবগী হক লৈ।

অরোইবদা, খঙমিন্নবা য়াবদি আইন হায়বা অসিনদি অফবা, নুংশি চান্ননা লৈমিন্নবা ইমুং নৎত্রগা খুন্নাই অমা ওইনবা মতম পূম্নমক্তা হোৎনৈ। অদুবু আইন শীজিন্নগদবদি মীওইবা ঐখোয়নি। মীওইবগী য়াইফনবগীদমক মীওইবনা হিংবদা মরী লৈনবা হীরম খুদিংগী আইন শেমদুনা থমই। মতমগী য়াওল মতুং ইন্না করিগুম্বা অহোংবা লাক্লবসু হায়বদি হান্না লৈরম্বা আইন অদুদা শেমদোক শেমজিন তৌদুনা মতম অদুগা চান্ননবা হোৎনৈ। মরম অসিনা অফবা খুন্নাই অমা তুংগী মীরোলগীদমক শেম্নবা হোৎনবদা আইননা ঙাক্লৌ ওই। ঐখোয় খুদিংমক্লা আইন ঙাকপগা লোয়ননা নুংশি চান্ননা লৈমিন্নবা চঙই। হায়বদি আইন্না পীরিবা হক অদু মফম মতম য়েংদনা তান্নবা হোৎনরগদি নুংশি চান্নবা হায়বদু মাঙখিবা য়াই। অসিগুম্বা মতমদদি ইশা ইশাগী ইথৌ অমদি হক হায়বসি পূন্না চৎমিন্নবা তঙাইফদে।।

# শেন্দোং লৈনা ভেলন্দ্রি থাবা

## এস সুমঙ্গোল সিংহ

**ভেলন্দ্রি** মীয়াম্না পাম্নবা এঞ্জাং মখলশিংগী মনুংদা অমনি। মণিপুরদা ভেলন্দ্রি শাগ ওইনা, খরা কংনা ঙৌরগা, ঙাল্লবা মতুং কংনা মেৎতুনা, ইরোম্বা ওইনা, বোরা হৌদুনা অমদি চম্না ঙান্দুনা চানবা এঞ্জাং মখলনি। ভেলন্দ্রি গ্রাম ১০০ দা য়াওবা মরু ওইবা চীঞ্জাক্কী মচন খরা থমজগে। চনাং (কার্বোহাইদ্রেট) - গ্রাম ৬.৪, প্রোটিন গ্রাম ১.৯, ফেট গ্রাম ০.২, পোটাসিয়ম মিলিগ্রাম ১০৩, কেলসিয়ম মিলিগ্রাম ৬৬, ফোসফরস মিলিগ্রাম ৫৬, মেগনিসম মিলিগ্রাম ৪৩, সোদিয়ম মিলিগ্রাম ৬.৯ য়াওই। হায়বদি চাবদা হাওবদা নত্তনা হকচাংদা কান্নবা মচল কয়া য়াওরি হায়বনি। লোয়ননা ভেলন্দ্রি থাবদা শেন্দোং নীংথিনা ফংবা ঙম্মী। মরম অসিনা ভেলন্দ্রি থাবগী মরমদা খরা খঙজিনমিন্নবা কান্নগনি খল্লি।

**মখল ঃ**

অফবা মখল কয়া অমা মমাঙঙৈদগী লৈরকই অদুবু মণিপুরদা মরু মরাং য়োনবীরিবশিংনা হৌজিক্তি অনৌবা মখল কয়া অমা মপান্দগী পুশিল্লক্তুনা মণিপুরদা মায় পাক্লা থানরে। মণিপুরদদি মরু ওইনা অফবা কম্পেনি কয়ানা পুথোকপা মখলনা অয়াম্বা ওইনা তৌরে। মখোয়শিং অসিগী মরক্তী মমল খরা তাঙজরগসু ফত্তে হায়বদি য়ারোই। মখল খরা থমজগে - অরকা অনামিকা, য়ু এস - ৭৯০২, ভিন্দি নম্বর ১, বসন্তি পনবা য়াবা চাথোক লৈবা হাইব্রিদ মখলনা অয়াম্বনি। অরকা অনামিকা হায়ব্রিদ নত্তে অদুবু য়াম্নদি ফবা মখলনি। পঞ্জরিবা ভেলন্দ্রিশিং অসি লোইনমক পাম্বীনা নেল্লিঙৈ মতম হায়বদি মনা অহুম-মরি শুবদগী পানবা হৌবদুনা পাম্বী অমদা মহৈ ২৫-৩০ হেন্না পানবা ঙাক্তনি। মশা-মরেং কয়া লোঙ্গনদে, মহৈগী মচু অশংবা ওইনা তৌই। পাম্বীনা লীশিল্লক্লবা মতমদা মখোঙদা মশা মচা অনী অহুম লোঙথোরকপা থেংনগনি। লোংলকপা মশাশিংদসু অদুমক ভেলন্দ্রি পানবা থেংনগনি। পঞ্জরিবা মখলশিং অসি পাম্বী অসিগী খ্বাইদগী শাখি হায়না লৌনরিবা ভাইরসকী লায়না YVMV (Yellow vein mosaic Virus) তাগন্দবা মখলশিংনি।

**অইং অশা ঃ**

ভেলন্দ্রিগী খ্বাইদগী চান্নবা অইং অশাদি ২৫°সি- ৩০°সিনি। কা হেন্না ইংবা পক্লদে। কা হেন্না শারবসু পক্লদে।

**থাবগী মতম ঃ**

মণিপুরদা ভেলন্দ্রি অসি ফেব্রুৱারিদগীনা এপ্রিল ফাওবা অদুমক থাবা য়াই। খরা ঙন্না ফেব্রুৱারি থাদা নীংথিনা হৌহনবা ঙম্লবদি অতাংবা নংই। মরমদি অয়াম্বনা থা অসিদা মায় পাক্লা ভেলন্দ্রি মতোন চোংহন্দুনা হৌহনবদা খরা ৱাই, খূৎ খরা চঙই।

**লৈবাক হৈলাও ঃ**

ভেলন্দ্রিদি লৈঙোই অমসুং অকনবা লৈতান লমদা পক্লদে। ফোলি তাবা ওর্গানিক মেটর য়াম্না য়াওবা loam অমসুং ঈশিং নীংথিনা চিথোক চিশিন য়াবা হায়বদি ঈশিং তুংগন্দবা মফমদনা খরা হেন্না পক্লে। অশিন অয়াক্তি $P^H$ 6-6.8 ফাওবগী মনুংদা লৈবনা খ্বাইদগী চান্নে।

**অরন অকুং ঃ**

মণিপুরগী ওইনদি ফেব্রুৱারি থাদা থাবদা খরা কুংশিনবা ফৈ অদুগা এপ্রিলদা থারগনা খরা লন্থোকপা ফৈ। মরমদি এপ্রিলদা থাবা মতমদা কুমগী নোং খরা নঙবা য়াই, নোং নংলবদি ভেলন্দ্রি খরা ৱাংগল্লি। ফেব্রুৱারিদা থাবগীদমক পরেংগা পরেংগা ফুট অমা মখাই, পরেংগী মনুংদা পাম্বীগা পাম্বীগা ফুটখাই অমা ওইহনবা চপ চারে। এপ্রিলদা থাগে হায়রবদি পরেংগা পরেংগা ফুট অনী অদুগা পাম্বীগা পাম্বীগা ইঞ্চি তরাদগী ফুট অমা ফাওবা লায়হনবা ফৈ।

**ফৈদোম শেম্বা ঃ**

ফৈদোমশিং খা-ৱাং ওইনা লৈহনসি, ফৈদোম অমদা পরেং অনী থাবা য়ানবা শেম্বনা খ্বাইদগী ফৈ। মরমদি মসিনা ভেলন্দ্রি হেকপদা খূৎলোয়বগা লোয়ননা পাম্বী শেম্বী শাবিবা, মখোঙ শোম্বনচিংবদা নুংঙাইবা হেল্লি। ফৈদোমগী অপাকপা অসি অরনবা কাঙবুগীনা মতাইদগী মতাইফাওবা ফুট মরি অদুগা অকুংবা কাঙবুগীনা ফুট অহুম ওইহনসি। ফৈদোমগী মরক্তা ফুট অমগী চুরি ফুটখাই অমা লুনা থমসি।

**মরুগী চাংঃ**

ফেব্রুৱারি থাদা থারবদি শঙমদা কিলো মঙামুক অদুগা এপ্রিলদা থারগনা কিলো অহুম মখায়মুক চঙগনি।

**মরুদা ল্হুদাক তোৎপা ঃ**

পোৎ খুদিংমক থারমদাইদা মরুদা ল্হুদাক তোৎপা কাউবীরোইদবনি। মরু কিলো অমদা সাফ গ্রাম অনী মুট তরানা কংনা তোৎপীয়ু। নৎত্রগা কেপটেন ওইরবসু চপ মান্নবা চাংদা তোৎশি। বাইওগী ওইরগনা ত্রিকোদর্মা য়াওবা হিদাক মরু কিলো অমদা গ্রাম ৭-৮ তোৎপীগনি। বাইওগা রশায়নগা কৈদৌনুংদা পূন্না তোৎপা য়াদে অমা নৎত্রগা অমা শীজিন্নগনি।

**থাবা ঃ**

ভেলন্দ্রি মরু অহিং অমা ঈশিংদা তিংথোক্লগা থম্বনা খূৎলৈ থুনা হৌবা হেল্লি অদুবু ঈশিং ৱাৎপা মতমদা ঈশিং পীবা ঙম্লোইদবা ওইরবদি তিংবিরোইদবনি। থারবা মতুংদা চুরিদা ঈশিং থাজিনবা নৎত্রগা অতোপ্পা মওংদা ঈশিং চনবিবা ঙম্লবদি তিংথোকপনা খ্বাইদগী ফৈ।

**হার হাপ্পা ঃ**

শম্থি ষণয়ুংগী নৎত্রগা কম্পোজিৎকী হার লৈরবদি শঙম অমদা ষণ গাড়ী মপোৎ মঙা-তরুক হাপ্পীবা ফৈ। থাগদবা থা মখাই অমা মাঙজৌননা খোইজিনবীহৌবনা খ্বাইদগী ফৈ। পাম্বী য়ামদনা ফৈদোম খরা থাবগী ওইরবদি কাঞ্জুলদা হায়রিবা হার অসি খুজোক অচৌবা অমমম হাপ্পীগনি। রসায়নগী হারদি শঙম অমদা য়ুরিয়া কিলো ৪৫-৫০, এস এস পি কিলো ৭৫-৮০, এম ও পি কিলো ২০-২৫ ফাওবা হাপ্পা য়াই। অরোইবা খোইবদা য়ুরিয়া শরুক অহুম থোকপগী অমা (কিলো ১৫-১৭) এস এস পি অমসুং এম ও পি পূন্না হাপ্তুনা মমূৎ তানা খোইজিনবীহৌগনি। মপান শারমদাইদা লেমহৌরিবা য়ুরিয়াগী তঞ্জাই অমা অদুগা অমুক থা মখায় অমা লৈরগা লেমহৌরিবা শরুক্তু হাপ্পীগনি।

**ঈশিং চাইবা ঃ**

ভেলন্দ্রি ঈশিং তোইনা চাইবিবা ফৈ। হপ্তা খুদিংগী ঈশিং চাইবিরবদি চাথোক য়াম্না লৈগনি। ঈশিং চাইবগী খ্বাইদগী ফবা, ঈশিং য়াম্না চংদনা, পাম্বীদসু চপ চানা ঈশিং ফংবা ঙম্বা মওংদা, ঈশিং মাঙহন্দনা ঈশিং চনবগী মওংদি Sprinkler শীজিন্নবনি। Sprinkler শীজিন্নদুনা ঈশিং চাইবা হায়বসিদা মীয়াম্না শেল য়াম্না চংবা, পাক হেক্তা ঙম্লোইদবা ওইনা লৌবিরম্বা য়াই মদুমক্তি নত্তে। খঙজিনবদা কান্নগনি খল্লি। ঈশিংগী সোর্স হায়বদি ঈশিং লৌফম পুখ্রিগুম্বা অমা নৎত্রগা অতোপ্পা সোর্স লৈরবদি খুদোং চাবা অসি লৌহঞ্জনিংই। মসিগীদমক ০.৫ হোর্স পৱরগী তুলু অমা ইলেক্ট্রিক্কী খুদোংচাবা, Sprinkler nozzle (মমল য়াম্না তাংদে) অমা, তুলুদুগা চান্নবা পাইপ খরা, পয়া খরা, য়ুংননবা মচৈ (ৱাগী নৎত্রগা উগী) অমখক শীজিন্নরগা য়ারে। তুলু পানখৎপীরো, পাইপ শন্বীরো, পাইপকী অরোইবা মতোন্দু Sprinkler nozle দা হুকচিল্লগা রবর রিবন্না চেৎনা পুনবিরো, মফম চানা য়ুংননবা মচৈদু য়ুংলগা নোজলগী মচৈদু উয়ুংদুগী অৱাংবদগী নুজল মতোনদুনা ৱাংবা খরা হেনগৎনা মুর্ত্তি চুম্না পুনবিরো, তুলু থারো, অসুম্না নুজল মতোন্দগী লৈ-লৈদুনা শিনবা থুংনা চাইরকপা ঈশিংনা লৈবাক চোৎপগী চাং য়েংবীরো, মফম হোং হোংদুনা লৌফম শিনবা থুংনা ঈশিং চাইবিবা য়ারে। হায়রিবা মওং অসি মরু হেক থাবদগী অদুমক হৌবিবা য়ারে। Sprinkler না ঈশিং চনবগী থৌওংদি নুজলদগী তারক্লিবা ঈশিংগী চাংদগী লৈবাক্লা ঈশিংদুবু চুপশিনবগী চাংনা হেনবা অসিনি। মরম অসিনা কৈদৌনুংদা অরেম্বদা অহেনবা ঈশিং চেন্থোক্তুনা মাঙদবা অসিনি। লৈবাক য়ৈশিনবগী চাং য়াম্না হন্থে, লৈবাক চপ চাবা মওংদা চোৎহনবা ঙম্মী।

**হাবেংবা ঃ**

নাপীগা থারিবা পাম্বীগা মতম পূম্নমক্তা কম্পিটিশন তৌই হায়বসি মতম পূম্নমক্তা কাউবিরোইদবনি। মতম পূম্নমক্তা নাপী হৌদনবা মখোঙ শোমদোকপীগনি। মসিনা পাম্বীগী মরাদা নুংশিৎ ফংহন্দুনা পাম্বী মশা ফবসু হেলহল্লি।

**লায়না তীলনা ঃ**

ভেলন্দ্রিগী লায়না শন্দোকপা ঙম্বা মহী চুপ্পা তীলশিং তাদুনা মাঙহনবা য়াই। মখোয়দগী অমদি অতৈ অতোপ্পা লায়না তীলনাশিংদগী ঙাকথোক্লবা মীৎকুপ নাহুম শিংনা লৈবীগনি লোয়ননা অখঙ অহৈ মতম চানা তান্নবীদুনা মখোয়দগী কন্ননবা হোৎনবীগনি।

**হেকপা ঃ**

ভেলন্দ্রি হেকপা খরা লুই। মপূং ফারবা মহৈ অদু মতোন পায়দুনা অনোপ অতিং য়েংবীগনি, খরা নোপলিঙৈদা হেকপীগনি। নোংমা নোংমা কাল্লগা চেক তৌরগা হেকপীগনি। অরিবা য়াওরম্লবসু হেকতোকপীগনি। অরিবা থম্বনা মখা তানা পানবা হন্থগনি। ভেলন্দ্রি মতু পানবা পাম্বী মখলনি মরম অসিনা



খরা পাক শন্না থাদুনা হোৎনরবদি হেকপা মতমদা খূৎনা হেকপগী মহুৎতা অথৌবা কাটিগুম্বা অমা শীজিন্নদুনা হেকপীগনি। হৌজিক্তি ভেলন্দ্রি হেক্লবা খূৎলাইসু থোক্লে, অমা অনী থম্বীবা ফৈ। মসিনা হেকপা মতমদা খূৎতা অকাই অতোই থোকহনবদগী ঙাকথোকপা ঙমগনি। খূৎতা গ্লোব শীজিন্নদুনা হেকপসু ফৈ।

**পোথোক ঃ**

অয়াম্বা ভেলন্দ্রিশিংগী ওইনা শঙমদা কিলো ১৫০০ দগীনা ১৬০০ ফাওবা থোকপা ঙম্মী।

মথক্তা থমজরিবা ৱাফমশিং অসি খঙনা ভেলন্দ্রি থারবদি শোইদনা শেন্দোং ফংগনি।।